# কুমজা ২০২০গী ওইনা ওস্কার বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসকী নোমিনেসন ফংখিবী মার্গোট রোবৈব

- নানি

*“Everyone’s like overnight sensation. It is not overnight. It is year of hard work.”*

**- Margot Robbie**



অৱাবা মচা লেম্না মাঙদে। হোৎপু হোৎনরবদি পামজবা লোইনমক নৎত্রবসু খরদি শোয়দনা ফংবা ঙমগনি হায়বা অসি চাম্মদা চাম্মা চুম্মে হায়না খুদম চাংদম অমা মমিং লৈরবী য়াম্নসু নহা ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়ন এক্ট্রেস মার্গোট রোবৈবনা পীরে। রোবৈবনা ৱারকপা অমদি মহাক্না অহিং কয়া কপখিবগী ৱারীদি কাখল অসিদা থমজদ্রে। অদুবু মহাক্কী পুন্সিগী ৱারী পারুবদদি মহাক্কী পুন্সিদা থেংনরকখিবা অৱাবা কয়াগী ৱারীনা মীপূম খুদিংবুসু মীৎতা পিগী ঈরা ঈহৌহল্লি। মহাক য়াম্না ৱারকখি। মমা-মপা অনীনা ৱাফম খরদা য়ানদবদগী খাইনদুনা তোখায়না লৈরবদা মচা মরিগী মমা ওইরিবী মহাকপু পোকপী মমানা অপিকপা খুঙ্গং অমদা পুন্সি লেনবা হৌরকখি। মমানা ফিজিওথেরাপিষ্ট অমা ওইজরবসু মদুগী চপ চাবা থবক ফংবা ঙমখিদে। অদুনা অপিকপা মচাশিংবু থাক্লবা অমদি মনীং থুংহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্লখি। মদু পুংকক চাউরক্লবী মার্গোট রোবৈবনা উরকখি। মহাক্না মমাগী মতেং পাংনীংলকখি। অদুননি মহাক্না অচোপ-অরেম হায়বা অদু খঙদনা শেল ফংগদবা থবক খুদিংমক চিলহাও থিদনা তৌরকখি। অদুনা ঙসি মহাক্না মায় পাকপা এক্ট্রেস অমা ওইরবসু অসুম্না হায়রিবা - *“I was always very dramatic- my family would probably use the word dramatic – as a child, always putting on performances, making everyone watch and pay to watch. I was very business – savy as a child”.*

ওষ্ট্রেলিয়াগী Dalby, Queensland হায়বা মফম অদুদা কুমজা ১৯৯০গী জুলাই ২দা পোকখিবী মার্গোট রোবৈব সিদনিদগী কিলোমিটর ৫০০ চৎলগা লৈবা গোল্ড কোষ্ট হায়বা মফম অদুদা মপূং ওইনা চাউরকখি। মহাক্না পিক্লিঙৈদগী হৌনা মমাগা-মপাগা খাইনখি। মহাক্কী মমা ফিজিওথেরাপিষ্ট অমনি অদুগা মপানা ইচম চম্বা লৌ উবা মীশক অমা ওইখি। মচিন মনাও অহুমগা লোয়ননা রোবৈব মমাগী মীৎয়েং মখাদা মপূং মরৈ ফারকখি। পিশক পিক্লিঙৈদগী হৌনা মেজিক হায়বা অসি রোবৈবনা য়াম্না পামজরকখি। মেজিক্সিয়ন অমা ওইগে হায়না খনখি হায়না মহাক্না ফোঙদোক্লি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মমিং লৈরবী এক্ট্রেস অনী - Nicole Kidman অমদি Cate Blanchett কী মতুংদা মালেমদা নৌনা ফীভম শেমদুনা থোরক্লিবী মার্গোট রোবৈববু ওষ্ট্রেলিয়াগী মীয়াম্না মশক খঙবা হৌরকখিবদি টি ভি সেরিএল **Neighbours** হায়বা অসিদগীনি।



হৌজিক ফাওবদা পূন্না ফিচর ফিল্ম ২১দা মায় পাক্লা কুমখ্রে। অদুগা অনী অমনা কুমজা ২০২০দা রিলিজ তৌনবা ফিল্ম অনী **The Suicide Squad** হায়বা অমা অদুগা ***Peter Rabbit 2 : The Runaway*** post production ওইনা লেবোরেটরিদা লৈরি। মমাঙদা মায় পাকখ্রবা ফিল্ম খরগী মমিং থমজগে - **Bombshell (2019)** film অসিদা মহাক বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসকীদমক নোমিনেসন ফংখি, অদুবু এৱার্দ ওইনা ওন্থোকপদি ঙমখিদে। অতৈ ফিল্ম খরদি - Peter Rabbit, Flopsy Turvy, Terminal, Slaughter house Rulez, Mary Queen of Scots, Dreamland, Once Upon a Time in Hollywood হায়রিবশিং অসি পনবা য়াই। অকোনবগী **Once Upon a Time in Hollywood** হায়বা ফিল্ম অসিদা মহাক্কা পূন্না এক্ট তৌমিন্নখিবা Brat Pitt না কুমজা ২০১৯গী ওইনা ওস্কার বেষ্ট সপোর্টিং এক্টর ফংখিবনি। ফিল্ম অসিদা মহাক অহানবা ওইনা গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ ফোর বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসকীদমক নোমিনেসন ফংখিবনি। Bombshell অমদি Once Upon a Time in Hollywood হায়বা ফিল্ম অনীসিদা Academy Award for Best Supporting Actress, Golden Globe Award for Best Supporting Actress – Motion Picture and Screen Actors Guild Award for Outstanding Performance by a Female Actor in a Supporting Role হায়রিবশিং অসি ফংদুনা চাউনা মায় পাকখি। মসিদা নত্তনা এক্ট্রেস অসি কুমজা ২০০৮ অসিদগী হৌনা টি ভি সেরিজদসু মায় পাক্লা প্লে ১০দা শরুক য়াখ্রে। কুমজা ২০০৮দগী হৌনা এক্টিভ ওইনা লাক্লিবী এক্ট্রেস অসিগী মতুংদা কনা লৈবগে হায়বা অসি থিদোকপা অমা চংই। লোয়ননা মহাক্কী পুন্সিদা য়াম্না নহা ওইনা অসুক য়াম্না মায় পাক্লক্লিবা অসিগী অরোনবা করি লৈবগে হায়বা অসিমসু নৈনবদা নুংঙাইগনি খল্লি।



রোবৈব মমাগা মপাগা খাইনদুনা তোখায়না লৈরবদা মহাক্কী মবুং অনী – Cameron অমদি Lachlan গা লোয়ননা মনাওনুপী Anya গী অৱাৎ অপা মেন্নবা মমাগী মতেং পাংলকখি। মশাগী চহী ১৬শুবদা নোংমতদা মহাক মফম অহুমদা থবক শূরকখি। মীগী য়ূম শেংবা, বারদা ৱেটর ওইনা থবক য়াওবা অমদি সবৱে অমদা থবক শূরকপা অসিনি। অপিকপা শেনফম তান্দুনা ৱানা হিংনবা হোৎনরকপগা লোয়ননা মাগী থৱায়না তাজদুনা চঙশিল্লকপা থিএটর-এক্টিং তম্বসু লেপখিদে। এক্টিং স্কুল অমদা এক্টিং মমুৎ তানা খঙনবা হোৎনরকখি। মমৈথংদা Somerest College তগী গ্রেজুয়েসন লোইখি। মশাগী চহী ১৭ শুরকপদদি মহাক্কী পুন্সিগী ফিরেপ অমা লেপ্পা ঙম্নবগীদমক মেলর্বোনদা চৎতুনা এক্টিং প্রোফেসনেল অমা ওইনা হোৎনজরকখি। কনা অমত্তনা মতেং পাংলক্ত্রবসু মশা মথন্তনা হোৎনদুনা ঙসিদি মহাক মায় পাক্লবা মালেমগী থাক্তা লৈবা ঙম্লবী এক্ট্রেস অমা ওইরে। কুমজা ২০১৪দা ৱার পিকচর অমগী সেট্টিং মফমদা মতমদুদা এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর অমা ওইনা লৈরম্বা Tom Ackerley গা অহানবা ওইনা থেংনখি। মখোয় অনী নুংশিনবগী মরী লৈনরকখি। কুমজা ২০১৬তা মীয়াম খঙনা মখোয় অনী লুহোংখি। সিগী মতুংদা Lucky Chap Entertainment হায়বা প্রদক্সন কম্পেনি অমা শেমদুনা ফিল্ম অমদি টি ভি সেরিএল পুথোকপা হৌরক্লি। ঙসিদি Tom Ackerley সু মমিং লৈরবা ফিল্ম মেকর অমা ওইরে।

এক্টর অসি প্রদ্যুসর অমা ওইনসু চঙশিল্লক্লি। মহাক্কী মথং প্রোজেক্ট ওইনা পায়খৎনবা হোৎনরিবা অসি Matt Ruffs কী থ্রিল্লর নোভেল অমা ওইনা মমিং চৎলিবা বেদ মোক্কি হায়বা অসি ফিল্ম ওইনা পুথোক্লবা থৌরাং লাংবা হৌখ্রে। ফিল্ম অসি মহাক মশানা প্রদ্যুসর ওইবতা নত্তনা Maid Marina হায়বা লিদ রোদ অসিসু মহাক্না লৌগদৌরি। মসিদা নত্তনা Christian Bale হায়বা মমিং লৈরবা এক্টর অসিগা পূন্না কুম্মীন্নগদবা David O.Russell অমদি Greta Gerwig না দিরেক্সন পীগদবা ফিল্ম অমসু শুটিং হৌনবা শেম শারে। লোয়ননা Justin Kurzel গী ৱার পিচর Ruin হায়বা ফিল্ম অসিদসু কুম্নবগীদমক চে-চাং ইনবা লোইখ্রে।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১২।০৪।২০২০ ইং, নোংমাইজিং; শজিবুগী ২০ নি পানবা ।

**মেষ :** পাইরক্কী লৌশিং শোনবা অমদি লাইবক ফবা খরা ৱাৎলসু লন চাওবা, ইমুং-মনুং ৱা তানবা কান্নবা অমদি মীয়াম্না চানবীবা নুমিৎনি। নাপলদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** নীংবা ঙসিসু শোইদনা থুংগনি অদুনা পাংগে খনবা অফবা থবক পাংহৌবা য়াগনি। থৌনা হনগনু অমদি য়ূমগী ৱা থওইদবদি তৌগনু। পূক্লিং ঈংনা ঙাওবা হৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** ঐ মঙাইরে খন্না চৎকনু অমদি তানশিনগদবা য়াম্না লৈরি খল্লগা চৎলু-মদুনা মাঙগদবশিংদগী কঞ্জগদবা ঙমগনি। লাইবক ফবনা মীচং, শেল-থুম ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কর্কট :** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি অমদি ওইজ-ওইথক তানবসু মরুপ অমদি নথক থোংবগী মতেং য়াওদ্রদি মাঙগনি। লৌশিং অনৌবসু ফংগনি। পাউদি নুংঙাইতে।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**সিংহ :** লাই-গুরু অমদি নঙগী অফবা মরুপশিংনা চানবীগনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি অমদি মৈদগী অকিবা নংবা য়াবা লৈ-চেকশিল্লু। নীংবা মপা চারোই-খন্থৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- অশা চাওবা কান্নরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** ঙসিসু নীংজবা থুংগনি,পন্দুনা লৈরুবা কান্নবা ফংবৈ নুংঙাইবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা হেনগৎপা নুমিৎনি। থবক পাংবদা নত্তনা মীনা থাগৎপিবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- খাংবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** নীংবনা অমা, ওইথোকপনা অমা ওইদনবা খাংবা কল্লু, থিবা হুম্বা কল্লু অমদি খুৎচাও থগনু। শোইগদগী শরুক মতম খরা ঙাইবনা অশিংবা তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** লাইবক ফৈ, নীংবা থুংই অমদি লাই-গুরুনা চানবীবা ঙসিসু লৈগনি। অদুবু অনম তানবা অমদি মীতোপ থাজবদি য়াদে। মীয়াম পুন্দবনা হেন্না নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** ইমুং-মনুং নুংঙাইনা লৈগনি, পোরম য়াৎপসু হৈগনি অমদি মীনা য়াম্না থাগৎপিগনি। অশাওবনদি তোংজবা অমত্তা পীদবা নুমিৎনি, নচা ননাইগী ৱাজবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মকর :** শেল-থুমগী লম্দা পূক্লিং নুংঙাইবা,অনৌবা থৌরমদা কান্নবা ফংবা অমদি ইমুং-মনুং ৱা তানবনা খ্বাইদগী কান্নগদবা নুমিৎনি। লৌশিং ফুদোকপবদি ঙমলোই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক খরা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কুম্বা :** নাপল অমদি মরম চাদনা ইচং থৌবনা নরল মাঙনবা মচাক ওইবা অমদি মীখাদুম পোনবা নুমিৎনি। মীয়াম্নদি চাল্লি অমদি ফত্তবা মরী লৈরম্বা কোকচগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিন :** কোক শাবা অমদি মীপাইবা নংদনবা চরাংনগনু অমদি অনম তানগনু। য়েক্লবসু য়াম্মী অদুনা তুংগী খল্লগা নোল্লক্লা চৎলু। নঙগী ওইবা মীনদি থোইনা চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।


থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




Title: Boboiboy
By: Arison Akoijam
Class: IV Sec: B Roll No. 17
School: Kids' Foundation




Title: A Man with Motorcycle
By: Ronish Mayengbam
Class: VI Sec: B Roll No. 30
School:



Title: Ben-10
By: Berzelius Aheibam
Class: III Sec: Roll No. 21
School: Imphal Valley School



Title: Scenery
By: Thoungamba
Class: III Sec: A Roll No. 08
School: Smart Universal Academy




Title: Giratina
By: Roshiko Irengbam
Class: V Sec: Iolite Roll No. 23
School: Heritage Convent




Title: Scenery
By: Rosiya Ningthoujam
Class: IV Sec: Roll No. 36
School:




Title: Fashionista Lady
By: Ngasepam Manshita
Class: IV Sec: B Roll No. 63
School: Nirmalabas High School




Title: Scenery
By: Manoj Salam
Class: IV Sec: Roll No.
School: Smart Universal Academy




Title: Scenery
By: Thajalembi Thongam
Class: III Sec: Roll No. 05
School: Tolchou Ibeton Memorial Academy



Title: Scenery
By: Karson Thokchom
Class: III Sec: B Roll No. 39
School: Sacred Heart, Yairipok



Title: Scenery
By: Telheiba Maibam
Class: II Sec: B Roll No. 07
School: Sainik Foundation School



Title: Boy
By: S. Sanathoi Devi
Class: IV Sec: C Roll No. 37
School: Smart Universal Academy